# স্পোর্টসকীদমক কাংলোন চুম্না থবক তৌরবদি হৌজিকসু স্পোর্টস তৌবীনবা মী লমদমসিদা ৱাৎতনা লৈ



ক্ষেত্রি য়াইমা
*ভেটরান প্লেয়র*

*(ঙরাংগী মখা)*

মণিপুরদি স্পোর্টস পামজবা, শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াম্না য়াওজবা লমদমনি। মওং মরিন চুম্নবু থবক তৌরবদি মীয়াম্নসু ফুল সপোর্ট অদুম তৌই। তৌবতদি, ওর্গনাইজর ওইনা শীল্লি-লাংলিবা কাংবুদু খরদি থম্নোয় শেংনা থবক তৌবা তাই। কাংলোনবু হেক চুন্নিবমখেদি মণিপুরদা শান্নবগী সপোর্ট তৌবা মী শুকৰাৎ ৱাৎলোই। মসি ইশামক্কা এপ্লাই তৌজরকখ্রবা ঙাক্তনি। মরম্বু চারবদি স্পোর্টস চাউখৎহন্নবগীদমক অঙম-অথৌ, অচৌ-অশাংদা শেল খায়বদসু ইকাইনিংঙাই ওইদে। মীয়ামদগী অচৌবা মতেং ফংদ্রগদি মণিপুরগী লাইরবা শান্নরোয়শিংনা কদাইদা অৱাংবা থাক য়ৌবা ঙমগনি। শান্নবা হায়বসিদদি য়োকখৎপীবা, ইনখৎপীবা হায়বসিসু য়াম্না মথৌ তাই। ঐখোয়না শান্নজরকপা মতমদা কোংবা মায়কৈদা লৈবিরম্বা অহল-লমনশিং ঙসি ফাওবা কাউবা ঙমদে।

অদুগা, ঐহাকসিদি ঈশিং মশান্নদা চহী খরা শান্নজরম্লগা কুমজা ১৯৬৩স্বাইদগীদি ভোল্লিভোলসিদা অমুক ফজনা শান্নজরকখ্রে। ঐহাক্না খ্বাইদগী শাংনা শান্নজরকখিবসিসু ভোল্লিভোল অসিনি। চাউরাক্লা চহী তরারোম কোস্মো টিমগী কেপ্টেন ওইদুনা শান্নজরকখি। কোস্মোগী ভোল্লিবোল টিমদা শান্নমীন্নরকখিবশিংদি মেঘা, ইনাও, বিরেন, ৱাংখেম কুল্লা, ইবোচা হোয়সিনা ঐখোয়গী জুনিয়রনি। ঐনা কুইনা শান্নবনিনা অঙাংশিংগসু ঐদি অদুমক শান্নমিন্নরকখি। কোংবা শৌদোংবম লম্পাকসিদা ভোল্লিবোলগী কোর্টকা শেম্লগা শান্নবা হৌদোরকখিবসি ঐখোয়ননি। ভোল্লিসি অদুমাইনা হৌদোক্লম্বদগী কোংবা মায়কৈরোমসি মতম অমদা নুপামচা/নুপীমচা ভোল্লিগী প্লেয়র য়াম্না থোকখি। শান্নবা হায়বসিদি উবু উরবদিঅঙাংশিংসুমতৌহেক্তাতম্বনি। অহল ময়াম অমনা শান্নবসি অঙাংশিং খরা অদুম য়েঙবা লাক্কনি। মদু উবদা শান্ননিংবা অঙাংদি ফিল্ডদা থোরক্লগা শান্নগনি। মসি স্পোর্টস হায়বসিগী থোইদোকপা মগুন অমনি। অদুনা লৈকাই লৈকাইদা শান্নবুঙ লম্পাক মচা অমত্তা ওইরবসু লৈরম্বসিগী কান্নবনা, শান্নবা পাম্বশিংদি বোলবু ওইরো, ভোল্লিবোলবু ওইরো হেক্তা শান্নরক্কনি। স্পোর্টস পামজনা হৌরকপা অঙাংশিংদি মমা-মপা, অহল-লমনশিংনা খক থিংবসু ঙম্লোই। ঙম্ননবা তুমিন্না চেন্থোক্লগা অদুম শান্নখিগনি। ঐখোয়সু অহল-লমশিংনা অথিংবা থম্লকখিদবা নত্তে। থিংনা থিংনা শান্নরকখিবা ঙাক্তনি। প্রাইভেট তম্বা চৎপদা ফাওবা হেক লোইবগা চোঙথদুনা ঈরোইরক্লিবনি। শান্নবুঙ লৈরমদ্রবা, লম্পাক লৈরমদ্রবা শান্নরোয় কৈদৌনুংদা থোরক্লোই। ঐখোয়সু লৈকাইগী অচৌবা পুখ্রি ময়ামসি লৈরমদ্রবদি ঈরোইবা হৈরম্লোই। পুম্নমকসি মরী লোইনা লৈনৈ।

কুমজা ১৯৬৩ অসিদদি ঐহাক মেত্রিক পাস তৌরে। অদুগা কুমজা ১৯৬৪দা বি এস এফতা থবক চঙলে। কোন্না অমুক ফর্স্ত এম আরদা লাকচখি। খরা শান্নজরকপগা মেত্রিক পাস তৌবগী সর্টিফিকেটতুগনা থবক্তী ইরাই লাইনা অদুম ফঙখ্রে। ঐহাক্না এম আরদা লৈবা মতমসি পান্দেরনা দি আই জি ওইরি। এম আরদা লৈবা মতমসিদা ভোল্লিবোল



> **রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
> **অকাউ-পরৈ চল্লুরবশিং**

শান্নরোয় ওইনা পুলিস মিট কয়াদা শরুক য়াজরকখি। মতমদুদা ঐখোয় অরিঙবা টিম ওইবদি ঙমজখিদে। জেনেল চঙবসি ৱানা থোকখি। স্পোর্টস মিটকী অহানবা চৎপসিদা বোল নিংথিনা ওকপা ঙমখিদে। ফজ-ফজবা সর্ভিস তৌশিল্লকপা, অকন-অকনবা দ্রোপকা ফুদরকপদা করম্না ওক্কনি হায়বা খঙখিদে। মদুদগী ঐগা, ইনাওগা বীরেগনা ভোল্লিবোলগী মরমদা য়াওবা স্পোর্টস মেগাজিনশিং কোইচৎ চৎতুনাথিখি। ফোরেনকন্ত্রিগী প্লেয়রশিংনা করম্বা খুৎশান্না শান্নবগে হায়বসি অহিং তুমদনা নৈনখি। মমৈদা, মী অমনা সপ্লাই তৌরগা অতোপ্পা লেমহৌরিবা প্লেয়র মঙানা পুল্লব চপ মান্ননা চোঙখৎমিন্নরগা দ্রোপ ফুথবা খুৎশান্নসি মণিপুরদা হল্লক্লগা ঐখোয়না হৌদোরকখি। অদুগা মপান্দা ঐখোয়না শান্নবা চৎচরকপা মতমদা, ভোল্লিবোল শান্নবা প্লেয়রসিদি মশা-মউ ফবা, ৱাং-চাওবা কাংবুনা শান্নরগদি হেন্না চান্নগনি হায়বসি ময়েক শেংনা খঙলকখি। অদুদগী খরা ৱাং চাউবা চুং-ফিরাল চাবা প্লেয়র থিদুনা য়াওহল্লকখি। ভোল্লিবোলগী সপ্লাই পীবসিদা য়াম্না ফজখিবা প্লেয়রসি সুম প্রেক্টিস তৌবদগী বিরেনগা ইনাওগনা ওইখি। মখোয় অনীনা পীবা সপ্লাইসিদি শুকশোই শোইদে। খোঙলৈ থুবা অমনা শৎ চেনশিন্দুনা ফুদবদা ঙাকপসি খরা ৱানা থোকই। মখোয় অনীসিদি ভোল্লিদা মণিপুরগী ওইনসু মমিং লৈখিবা প্লেয়র ঙাক্তনি।

ঐহাক্না অরোইবা ওইনা কোস্মো টিমদগী ভোল্লি শান্নজখিবসি কুমজা ১৯৭২ স্বাইদা ওইগদ্রা খল্লি। মপান কাংজৈবুঙগী মখা থংবা সাইদসি ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকফমনি। মফম চাওনা মহৌশা লৈরম্মী। ওল মণিপুরগী ওইনা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টতুগী ফাইনেলদা ঐখোয়গা এস দল্লীয়ু সি হৈরাঙ্গৈইথোংগা তাখি। হায়রিবা মতমসি কোস্মো টিমগী ওইনদি ইনাওনে, মেঘনে, বিরেননে মখোয় অহুমসি গুৱাহাটিদা ইন্টর কোলেজদা তুমিন্না শান্নরুবগী সস্পেন্দদা লৈখিবদগী ঐহাক্না কেপ্টেন ওইরগা অনৌবা অঙাং খরগা শান্নখি। এস দল্লীয়ু সি অসিদি য়াম্না লিঙবা টিমনিনা ঐখোয় মায়থীখি। ৱিন্নর লৌবা ঙমখিদে। রন্নর্সঅপ তারগা হল্লকখি। মদুনা ঐগীদি অরোইবা ভোল্লিবোল শান্নবসু ওইখ্রে।

*...মথং মথং...*

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৯

১) খা কোরিয়া মচা অমনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল হেক ফংখিবগা অসুম্না হায়খি "ঐনা য়ুন অমসুং মহাক্কী ইমাদা ঙাকপীয়ু হায়রি। ঐগী সনাগী মেদল অসি মখোয়গা ঐগা পুন্না ফংমিন্নবনি"।
(ক) মসি কনানা হায়খিবনো? (খ) করি মরমগী হায়খিবনো?

২) মহাক য়ুরোপ মচানি, ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননী, ফিল্মসু য়াওখি, কুমজা ১৯৯৮দা কার এক্সিদেন্টতা লৈখিদবদা মালেম পুম্বনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩) ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমগী মেদল ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিনিনা মতম খরা লৈরগা লৌশিনখি। মরমদি মহাক প্রোফেস্নেল ওইনা শান্নবদা শরুক য়াই হায়বগী মরমদনি। মহাক শীরবা মতুংদা মহাক্কী মশুশিংদা মহাক্কী মেদল অদু অমুক শীন্নখি। মহাক কনানো?

৪) ঐহাকপু চেকশুবা নিপানি হায়দুনা ইংলেন্দগী থেমস তুরেন্দা হিয়াং তান্নবদা শরুক য়াহন্দে। ঐ ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননি, ইচা নুপীনা লৈবাক অমগী মহারানিনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ শুট্টিংদা ইন্দিয়াগী অনীস ভনৱালানা মিটর ২৫গী রেপিদ পিষ্টোলদা গোল্ড লৌখ্রে

সুল, জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ
জর্মনিগী সিটি সুলদা চথরক্লিবা ইন্টর্নেসনল শুট্টিং স্পোর্টস ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ শুট্টিংগী ঙসি লম্বা তৌনখিবা নুপাগী মিটর ৫০গী রেপিদ ফাইয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী অনিস ভনৱালানা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

অনিস ভনৱালানা নুপাগী মিটর ২৫গী রেপিদ ফাইয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফাইয়িং ষ্টেজতা পোইন্ট ৫৮৪ ফংদুনা ফাইনেল রাউন্দদা অতোপ্পা শুট্টরশিংদগী হেন্দুনা মকোক্তা লৈবা ঙমখি। জর্মনিগী সুলদা পাঙথোক্লিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ শুট্টিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়ানা কম্পিটিসনদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী হেন্না ফজবা ঙমখি।



অনিস ভনৱালানা নুপাগী মিটর ২৫গী রেপিদ ফাইয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পুন্না পোইন্ট ৫৮৪ ফংদুনা মকোক ওইদুনা লাকখ্রবা মতুং ফাইনেল রাউন্দদা অমুক্কসু পোইন্ট ২৯ ফংলগা অতোপ্পা শুট্টরশিংদগী হেনবা ঙমখিবদগী ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেদল অদু রসিয়াগী শুট্টর ইগোর ইস্মাকোপনা ফাইনেল রাউন্দা পোইন্ট ২৩ ফংলগা লৌখি। লোয়নন্না ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা জর্মনিগী শুট্টর ফ্লোরিয়ান পিটরনা ফাইনেল রাউন্দদা পোইন্ট ১৯ ফংলগা লৌবা ঙমখিবনি। নিংশিংবা য়াবদি, আই এস এস এফ জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ শুট্টিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী শুট্টরশিংনা গোল্ড ৮, লিভর ৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ ফংলগা মাংজিল থারি।

# ২০২২ ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল ক্বালিফাইংগী ২শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়া য়ুম্বু টিম কটারগা লোয়নন্না গ্রুপ 'ঈ'দা লৈখ্রে

কোলালম্পুর, জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ
কুমজা ২০২২দা পাঙ-থোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দগী এসিয়ানা ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম ৱর্ল্ড কপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওইরিবা কটারগা লোয়নন্না গ্রুপ 'ঈ'দা লৈখ্রে।

ঙসি মলেসিয়াগী কোনুং কোলা লাম্পুরদা পাঙথোকখিবা দ্রো অদুদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসি গ্রুপ 'ঈ'দা কটার, ওমান, অপঘানিষ্টান অমসুং বংলাদেশকা লোয়নন্না লম্বা তৌনগদৌরিবনি। করিগুম্বা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙম্লবদি ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসি কুমজা ২০২৩দা চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমগদৌরিবনি।



ৱর্ল্ড কপ ২০২২গী এসিয়ন ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৪০না শরুক য়াদুনা টিম ৫/৫না গ্রুপ নিপানথোক্লা খাইদোক্তুনা শরুক য়ারিবনি। গ্রুপ অমদগী মকোক ওইবা লৈবাক অমসুং অনীশুবা পোজিসন তাবা খ্বায়দগী ফজবা লৈবাক ৪না ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবতা নত্তনা কুমজা ২০২৩ এসিয়ন কপকীসু ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

করিগুম্বা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা গ্রুপ 'ঈ'দা অনীশুবা পোজিসন তারবদি ইন্দিয়ানা খ্বায়দগী ফজবা টিম মরীগী মনুংদা লৈত্রবসু ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইরগনি। মরমদি গ্রুপ অদুগী টিম অমা ওইরিবা কটারদি য়ুম্বু ওইবা মরম্না ইন্দিয়া ফাইনেল রাউন্দগীদমক শান্নবা য়াগদৌরিবনি।

গ্রুপ 'ঈ'দা ইন্দিয়ানা অহানবা মেচ অদু ওমানগা সেপ্তেম্বর ৫দা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ অদু থা অদুগী ১০দা কটারগা শান্নরগা অহুমশুবা মেচ অদু ওক্তোবর ১৫দা বংলাদেশকা থেংনগনি। নবেম্বর ১৪দা অফঘানিষ্টানগা শান্নরবা মতুং অনীশুবা লেগতা ওমানগা (নবেম্বর ১৯), কটারগা (মার্চ ২৬), বংলাদেশকা (জুন ৪) অমসুং অফঘানিষ্টানগা (জুন ৯)দা শান্নগনি।

# কিদম্বী স্রিকান্ত অমসুং পি বি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে, মিক্সতা রানকি রেদি অমসুং পোনাপা মায়থীহৌরে

জকর্টা, জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দোনেসিগী কোনুং জকর্টাদা ঙসিদগী হৌখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্ত অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে। নুপীগী সিঙ্গলসতসু পি বি সিন্ধু অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে। মিক্স দবলসতা এস রানকি রেদি অমসুং অশ্বিনি পোনাপা মায়থীহৌরে। লোয়নন্না নুপাগী দবলসতা মনু অত্রি অমসুং সুমিত রেদি অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে।





ঙসি জকর্টাদা শান্নখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ৮ শুবা সিদেদ শান্নরোয় ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্তনা জপানগী কেন্তা নিসিমোটোবু শুপ্পগী মিনট ৩৮ চঙনা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দ মেচতা ২১-১৪, ২১-১৩দা মায় পাক্তুনা ২শুবা রাউন্দদা হোং কোংগী লোং এঙ্গসকা শান্নরগনি।

কাংলুপ অসিদা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিত হোং কোংগী শান্নরোয় ৱিং বিনসেন্টকী মখুৎতা ১৫-২১, ২১-১৩, ১০-২১দা মায়থীহৌখি। লোয়নন্না ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ঐচ এস প্রনোই টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনাগী সি য়ু কিগী মখুৎতা অকনবা লম্বা অমদা ২১-১৯, ১৮-২১, ২০-২২দা মায়থীহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি বি সিন্ধুনা অহানবা রাউন্দদা জপানগী অয়া ওহোরিগা লম্বা তৌনবদা পুং ১ রোম চঙনা শান্নখিবা মেচ অমদা অহানবা গেম অদু ১১-২১দা মায়থীরবা মতুং অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম অদুদা মহাক্লা য়াম্না ফজবামওংদা ২১-১৫, ২১-১৫দা মায়থীবা পীদুনা হয়েং শান্নগদবা কাংলুপ অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ককী মিয়া ব্লিচফেল্টকা লম্বা তৌনরগনি।

মিক্সদবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকি রেনি অমসুং অশ্বিনি পোনাপা অহানবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র টোনটোৱি অমসুং ওক্কাভিনাগী মখুৎতা ১৩-২১, ১১-২১দা মায়থীহৌখি। হয়েং কাংলুপ অসিগী ২শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী প্রনব চোপ্রা অমসুং সিকি রেদিনা চাইনাগী ঝেং অমসুং হুৱাংগা থেংনরগনি।

# ইন্দিয়াগী অর্চর দিপিকা কুমারীনা টৌকিও ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রে

টৌকিও, জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবা অর্চর অমা ওইরিবা দিপিকা কুমারীনা কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকী য়ুম্বু লৈবাক ওইরিবা জপানগী কোনুং টৌকিওদা পাঙথোকপা ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

দিপিকা কুমারীনা ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্ট অদুগী ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী অর্চর আন সানগা লম্বা তৌনবদা মায়থীবা নংখিবদগী সিলভর মেদল অদু ফংখিবনি।

কম্পিটিসন অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী দিপিকা কুমারী মরীশুবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। নীংশিংবা য়াই দিপিকানা ফাইনেলদা লম্বা তৌখিবা সাউথ কোরিয়াগী আন সান হন্দক্তা জর্মনিদা লোয়শিনখিবা ৱর্ল্ড কপ অর্চরিগী মরীশুবা ষ্টেজদা গোল্ড মেদল অনী লৌবা ঙমখিবী অর্চরনি।

ফাইনেল রাউন্দ অদুগী অহানবা সেটতা সাউথ কোরিয়াগী অর্চর অদুনা য়াম্না নক্কবা মওংদা দিপিকাদগী পোইন্ট অমা হেল্লগা চৎখি। অনীশুবা সেটতা কোরিয়াগী অর্চর অদুনা দিপিকাবু পোইন্ট ২৯-২৫তা হেল্লবা মতুং অহুমশুবা সেটতা সাউথ কোরিয়াগী আর্চর অন সাননা টার্গেটতা টেনজৈ অহুম্মক পান্দুনা দিপিকাবু পোইন্ট ৬-০দা থোইদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।



মশাগী চহী ২৫ শুরবী মমাঙদা ৱর্ল্ডনম্বর ১ ফাওবা ওইরম্লবী দিপিকা কুমারীনা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্তা মহাক্কী টেক্নিক অদু হোংদোক্তুনা শান্নরকপনি। মদুদা চুংশিন্নবা খরা ৱাৎপদগী সাউথ কোরিয়াগী চহী ১৮ শুরবী অন সানগী মখুৎতা মায়থীবা নংখিবনি। টোকিয়োগী য়ুমেনোসিমা আর্চর ফিল্ডদা টোকিয়ো ওলিম্পিক্সকী মাংওইননা পাঙথোকখিবা অহানবা ইন্টর্নেসনল কম্পিটিসন অদুদগী দিপিকানা মমাঙদা খঙলম্বদা কয়া খঙজিনবগা লোয়নন্না নভেম্বরদা থাইলেন্দগী বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্তদৌরিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইনবা হোৎনগনি হায়খি।

# ফর্গস কবানাগী মখাদা ট্রেনিং ফংগদৌরিবা অসিনা লাক্কদবা মেচশিংদা অনৌবা মায়োল ফংগনি ঃ দিফেন্দর দিপ গ্রেস ইকা

বেঙ্গালুরু, জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মমিং লৈরবা দিফেন্দর ফর্গস কবানাগা চয়োল অমগী ওইবা দিফেন্সকী মতাংদা চথুখিবা ট্রেনিং ফংগদেরিবা অসিনা ইন্দিয়াগী টিমনা তুংগা শান্নরক্কদবা ইন্টর্নেসনল মেচশিংদা চাওনা অনৌবা মায়োল ফংলগনি হায়না টিম অসিগী এক্সপিরিয়েন্স লৈরবী দিফেন্দর দিপ গ্রেস ইকানা ফোঙদোকখ্রে।

হোক্কি ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী নুপাগী হোক্কি টিমবু দিফেন্সকী মরমদা হেন্না মপাঙ্গল লৈনবা চয়োল অমগী ওইবা ট্রেনিং চথুখ্রবনি। অদুগা হোক্কি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফর্গস কাবানবু মখা তানা লৈহন্দুনা নুপীগী টিম অসিগীসু দেফেন্সকী লমদা অহেনবা ফজবা লাক্ননবা শীনখি।

পনবা য়াবদি, চহী অসিগী নভেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন ইভেন্ট অদুগী মাংওইননা ইন্দিয়াগী টিম অসিবু ওষ্ট্রেলিয়াগী ফর্গস কবানাগা ট্রেনিং চথহনগদৌরিবনি।



হোক্কি ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী নুপীগী শান্নরোয়শিং অসি হান্না লৈরিবা মখোয়গী দিফেন্দরশিংগী মশান্না অদু হেন্না মপাঙ্গল লৈবা মওংদা পুরক্নবা ওষ্ট্রেলিয়াগী এক্সপার্ট অদুবু কৌখিবনি। ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইনদা শান্নরিবা দিফেন্দরশিং অদুনা অতোপ্পা লৈবাক্কী শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌরকপদা মতমদা অহেনবা টেক্নিক শীজিন্নদুনা মায়োক্নবা টিমদগী মপাঙ্গল হেন্না লৈননবা শান্নগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অদুদা শান্নরিবা ওষ্ট্রেলিয়গা ফর্গসকা ট্রেনিং তৌগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি সালিমা টেটে, দিপ গ্রেস ইকা, লিলিমা মিন্স, পুখ্রম্বম সুসিলা, সুমন্ত থৌদাম, মহিমা চৌধুরি, নিসা, গুরজিৎ কোর, রসমিতা মিন্স, সুনিতা লক্রা, মনপ্রিট কোর, নিকি প্রধান, করিসমা যাদব অমসুং মোনিকানি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মখা তানা এক্সপোজর টুর ওইনা স্পেন, মলেসিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়াদা চৎতুনা টুর ফংলবা মতুং মখা তানা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা শান্নরিবা টেক্নিকশিং অদু খঙদোক্কবা হোৎনরি।